# বি জে পিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্পবা মমতা বেনর্জিনা সোনিয়া গান্ধী অমদি অতোপ্পা লুচিংবশিংদা হায়জখ্রে




ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক ওপোজিসনদা লৈরিবা লুচিংবশিংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা বি জে পিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবা অইবা চে পীদুনা হায়জখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী য়াওনা অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংদা মহাক্না ইখিবা চেরোল অদুদা মরু ওইনা বি জে পি মায়থিবা পীগে হায়রবদি অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মতম ওইরে। বি জে পিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা নাকপাক তানবা শীল্লি।

বি জে পিনা মী মশীং য়াম্না লৈজদবা পার্টিশিং অকি অখং পোকহনবা অমদি মীয়ামদগী নম হাদুনা খোমগৎখিবা শেনফমশিংনা ভোট লৈবগী থবক চখুরি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্ন া লৈবাক অসিদা লাকখ্রবা মতুং মীয়ামগী হক মৎপা য়াবা বিল কয়া পাস তৌবা হৌরক্লি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দ্রবদি বি জে পি মায়থীবা পীবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লবা য়ানা লৈ। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোক্লিবা অমদি পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংদা ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা লুচিংবশিংনা চুংশিন্নদুনা বি জে পিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনগদবনি।

বেঙ্গলদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা ঈরাং শাগৎনবা হোৎনরি। বেঙ্গলদা তৃনামুল কোংগ্রেস মায়থীবা পীবা ঙম্লোই হায়বা খঙবদগী অহেনবা শেনফম কয়া থাদদুনা তৃনামুলগী কেন্দিদেটশিং লৈবগী থবক চখুরি।

তৃনামুলগী মরু ওইবা মেম্বর খরা অহেনবা শেনফম পান্দ্বদগী বি জে পিদা য়াওখ্রবসু বেঙ্গলদা তৃনামুল মায়থীবা পীবদি ওইথোক্লোই। বেঙ্গলদা লৈরিবা মীয়াম্না মোদি লৈঙাক্কী মওং মতৌ চপ চানা খঙলে। মীয়ামগীদমক্তা লৈরি হায়না লাউরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমী মীয়ামগী হক মাঙহন্নবা হোৎনরি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা লৌমীশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা ফার্ম লো অহুম পাস তৌদুনা লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা মিনিমম সপোর্টপ্রাইজ ফঙহন্দনবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা দেল্লীদা হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা অরবিন কেজ্রিৱালগী লৈঙাক ইন্তুবা ঙম্লোই খঙবদগী লেফটনেন্ট গভর্ণরদা অহেনবা পৱার পীনবা বিল অমা প্রাপোজ তৌখ্রে।

বি জে পিগী অসিগুম্বা দিমোক্রেসিগী ৱান্থোকপু খোঙগাওনবগী থবকশিং অসি হৌজিক্তি থিংবগী মতম ওইরে। মরম অদুনা ওপোজিসনদা লৈরিবা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুনশিন্দুনা করি থবক পায়খৎপা হায়বগে হায়বদু খন্নরবা মতুং মীয়ামগী য়েক্নবা বি জে পি মায়থীবা পীবগী মতম ওইরে হায়রি।

# টামিল নাদুগী মফম খরদা এপ্রিল থা লোইদ্রিফাওবা লোকদাউন থমখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা কোরোনা ভাইরসকী লায়না লায়চৎনা অনীরকশুবা ওইনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অদুবু থিংনবা হোৎনবগী পান্দমদা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী মফম অয়াম্বা এপ্রিল থা লোইদ্রিফাওবা লোকদাউন থমখ্রে হায়রি।



লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না তঙাইফদনা চত্তবা য়াদবা থবক চৎলবসু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎনবা অমদি ফেস মাস্ক মতম চুপ্পদা শীজিন্ননবা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

অনীরকশুবা ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরকখিবা অসিদা টামিল নাদুসু অমা ওইরি। মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরি। মদুগী মতুং টামিল নাদুসু কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংবা হৌরক্লি।

টামিল নাদুদা পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ওইনা অনৌবা চৎনা কাঙলোন শেমদ্রবসু গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা টামিল নাদুদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,৩৪২ থেংনখি। অদুগা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১৬ শিহনখি। ষ্টেট অদুদা থেংনখিবা অপূনবা কেস ২,৩৪২ গী মনুংদা ষ্টেট কেপিটেল চেনাই খক্তদগী কোভিদকী কেস ৮৭৪ য়াওরি।

টামিল নাদুদা হৌখিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস অসি ২,০০০ দগী তাদনা থেংনরি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী এক্টিভ কেস ১৪,৮৪৬ লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা টামিল নাদু খক্তদা লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ৮,৮৪,০৯৪ য়ৌখ্রে। অদুগা লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মশীংনা ১২,৭০০ য়ৌখ্রে হায়রি।

# ফার্ম লোগী মতাংদা শেমখিবা মেম্বর অহুমগী পেনেলনা মখোয়গী রিপোর্ট সবমিট তৌরকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা সেন্তরনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা দেল্লী ঙমখৈগী শরুকশিংদা কেম্প তৌদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অমদি মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা মীওই অহুমনা শাবা পেনেল অদুনা মখোয়গী ওইবা রিপোর্ট থা অসিগী ১৯ দা সবমিট তৌরকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কম্মিটি মেম্বর অমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মখোয়গী রিপোর্ট অদু চেকশিন্না সিল্ড তৌরবা ইনভেলপ অমদা হাপ্লগা সুপ্রিম কোর্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা ফার্ম লো অদুবু হোল্ড তৌদুনা থমখ্রবা মতুং হৌখিবা জনুৱারী ১১ দা মীওই অহুমনা শাবা কম্মিটি অদু শেমখিবনি। কম্মিটি অদুদা এগ্রিকলচরেল ইকোনেমিষ্ট অনিল ঘানভট, অসুকগুলাটি অমসুং প্রমোদ জোসি য়াওরি।

কম্মিটি অদুদা লৌমী লুচিংবা ভুপিন্দর সিংহ মনসু সুপ্রিম কোর্টনা হাপখিবনি। অদুমওইনমক মহাক মশা কম্মিটি অদুদগী রিজাইন তৌখিবনি। কম্মিটি অসি মরু ওইনা লোশিং অদুগী মতাংদা নৈননবা অমদি ষ্টেট হোল্ডরশিংগা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী অপাম পামদা খঙদোক্লবগীদমক শেমখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পেনেল অদুনা পীশিল্লকখিবা রিপোর্টতা করম্বা ৱাফম য়াওরিবগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# নন্দিগ্রাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সী আর পি সী ১৪৪ চলাইখ্রে ইলেক্সন মাংওইননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অতোপ্পা মীওইশিং চঙবা য়ারোই

ৱেষ্ট বেঙ্গল, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুর্বা মেদিনিপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নন্দিগ্রাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সী আর পি সী ধারা ১৪৪ চলাইখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন লোইদ্রিফাওবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অতোপ্পা মীওইশিং চঙবদা অথিংবা থম্লে হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে।





নন্দিগ্রামদা হৌজিক হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমদি হান্না তৃনামুলগী কি মেম্বর ওইরম্লবা সুবেন্দু অধিকারিগা লম্বা তৌনগদৌরি। নন্দিগ্রামদা ইলেক্সনগী মাংওইননা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মখা তানা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক তঙাইফদনা অথিংবশিং অসি থমজিনখিবনি হায়রি।

তৃনামুলগী হান্নগী মশক নাইবা লুচিংবা অমা ওইরম্বতা নত্তনা হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবী মমতা বেনর্জিগা য়াম্না নক্না চৎমিন্নরম্বা সুবেন্দু অধিকারিনা বি জে পিদা য়াওখ্রবা মতুং কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা ৱার্কর মশেল উংখৎনবগী চাং ৱাংখৎলকখিবনি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক সেন্ত্রেল ফোর্সকী অনৌবা কম্পেনি ২২ সু ঙসি দিপ্লোয় তৌখ্রে। সেন্ত্রেল ফোর্স অমদি ষ্টেট পুলিসনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী অকোয়বদা ঙাক শেনবগী থবক অকনবা মওংদা চখুরি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা ইলেক্সন লোইদ্রিবা ফাওবদা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীওই অমত্তা চঙবদা অথিংবা থমখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদসু অহেনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদগী হৌরগা ইলেক্সন কম্মিসন্না থমখিবা অথিংবশিং থুগাইরক্লবদি লিগেল এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মরু ওইনা লৈবাক অসিগী মীয়ামশিং য়াওনা নন্দিগ্রামদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। মরমদি নন্দিগ্রামদা মীরেপ ওইরিবা তৃনামুলগী মমতা বেনর্জি অমসুং বি জে পিগী সুবেন্দু মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন ঙাক্তনি।

# পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোদ সোশিংদা অমিত শাহ শরুক য়াগদৌরি

পুদুচেরি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : এপ্রিল ৬ তগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা পুদুচেরি এসেমব্লি ইলেক্সনদা এন দি এগী মীরেপ ওইনা থোক্লিবশিংগী ভোট খোন্বা ওইনা হয়েংদগী হৌরগা পরিং নাইনা পাঙথোক্কদৌরিবা রোদ সোশিংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ শরুক য়াগদৌরি।

রোদ সোশিং অদুদা শরুক য়ানবগীদমক অমিত শাহ পুদুচেরি এয়রপোর্টতা হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থুংগনি। মদুগী মতুং কারুভাদিকুপমদা লৈবা সিথানন্দা স্বামিগল লাইশঙদা চত্তুনা ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরম অমা হান্না পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুং ইলেকসন কেম্পেনশিংদা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙগনি হায়না বি জে পিগী ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা এন দি এ মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমগদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদসু করাইকলদা চত্তুনা মহাক্না এন দি এ মীরেপশিংগী ইলেক্সন কম্পেইনশিংদা শরুক য়াখিবা লৈখ্রে।

পুদুচেরিদা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা ওল ইন্দিয়া এন আর কোংগ্রেসনা সিট ৩০ গী মনুংদা ১৬ তা মীরেপ থাদোক্লি। অদুগা বি জে পিনা ৯ অমসুং এ আই এ দি এম কেনা মখোয়গী মীরেপ ৫ থাদোক্লি।

পুদুচেরিদা লৈরিবা কোংগ্রেস, দি এম কে, সী ঈ আর, ভি সী কে মায়থীবা পীনবগীদমক বি জে পিনা এ আই এন আর সী অমসুং এ আই এ দি এম কেগা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নরি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নুমিদাংগী মতমদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিং ট্রেনদা চার্জ তৌবদা রেলৱেজনা অথিংবা থমখ্রে




ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সার্ভিস তৌরিবা ট্রেনশিংদা নুমিদাং পুং ১১ দগী হৌরগা অয়ুক পুং ৫ ফাওবদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিং মরু ওইনা মোবাইল চার্জ তৌবদা অথিংবা থম্নবা রেলৱে মিনিষ্টরনা খঙহল্লকখ্রে হায়না রেলৱেগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা নুমিদাংগী মতমদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিং চার্জ তৌবা অসিনা মরম ওইরগা ট্রেনদা মৈ হৌহল্লক্লবগী মরম অমা ওইরি। তুল্লিঙৈ মতমদা করিগুম্বা মোবাইল চার্জরদগী স্পার্ক থোরক্লবদি খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই। মরম অদুনা ট্রেনদা নুমিদাংগী মতমদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিং চার্জ তৌবদা অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা কম্মিস্নার ওফ রেলৱে সেফটিনা নুমিদাং পুং ১১ দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা চার্জিং ষ্টেসনশিং স্বিজ ওফ তৌনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। বেঙ্গলোর-হাজুর সাহিদ নন্দে এক্সপ্রেসতা মৈহৌ লাংপোক থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুং নুমিদাংগী মতমদা চার্জ তৌহন্দনবা মতমদুদা অহানবা ওইনা ফিরেপ লৌখিবনি।

অদুমওইনমক ট্রেনশিংদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিং চার্জ তৌবগী থবক্তি অদুমক চখদুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ট্রেন মৈ চাকপগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। ইলেক্ট্রোনিক দিভাইজশিংনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক্কী থবক অদু থোকখিবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মদুনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা থাজনরি।

# এপ্রিল ১ দগী নুপীশিং গভর্ণমেন্ট বসতা লেম্না তোংহল্লগনি

চান্দিগর, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : হয়েংদগী হৌরগা পঞ্জাবতা নুপীশিংনা গভর্ণমেন্ট বসশিংদা শেল তিংদনা তোংবা য়ারগনি হায়না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দরনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম অমনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা নুপীশিংনা গভর্ণমেন্ট বসশিংদা শেল তিংদনা লেম্না তোংহন্নবা ৱাফম অদু অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১১ গী সেন্সস মতুং ইন্না পঞ্জাবকী অপূনবা মশীং অসি ক্রোর ২.৭৭ নি। মদুগী মনুংদা ১,৪৬,৩৯,৪৬৫ না নুপানি। অদুগা ১,৩১,০৩,৮৭৩ না নুপীনি। পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা চলাইবা বস সার্ভিসশিং মরু ওইনা পঞ্জাব রোদৱেজ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (পি আর টি সী), পঞ্জাব রোদৱেজ বসেস (পনবস) অমসুং লোকেল বোদি দিপার্টমেন্টনা চলাইবা বস সার্ভিসশিংদা নুপীশিংনা লেম্না তোংবা য়ারগনি। অদুমওইনমক গভর্ণমেন্টনা চলাইবা এ সী য়াওবা বসশিং, ভোলবো অমসুং ঐচ ভি এ সী বসশিংদদি লেম্না তোংবগী খুদোংচাবা অসি লৈত্রি।

থা অসিগী অঙনবদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা নুপীশিং গভর্ণমেন্ট বসশিংদা চখোক চৎশিন তৌবদা শেল লৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি লেম্না তোংহন্নবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ওফিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা পঞ্জাবতগীনি হায়না মশক তাকপা য়াবা অধার কার্দ, ভোটর কার্দ নৎত্রগা রেসিদেন্স প্রুভ য়াওবা চে চাং উৎলগা লেম্না তোংবগী খুদোংচাবা অসি লৌবা য়াগনি। অদুমওইনমক অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওইশিংগী ওইনদি খুদোংচাবা অসি লৈরোই হায়রি।

# বি জে পি মায়থীবা পীনবা মমতানা হৌদোরকখিবা ৱাফম মহেবুবা মুফতিনা সপোর্ট তৌখ্রে



শ্রীনগর, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা বি জে পি গভর্ণমেন্টপু মায়থীবা পীনবগীদমক লৈবাক অসিদা লৈরিবা ওপোজিসনশিং পুনশিন্নদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মহেবুবা মুফতিনা সপোর্ট তৌখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রবা মতুং মহেবুবা মুফতিনা বেনর্জিগী ৱাফম অদুবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পি দি পিগী লুচিংবী মহেবুবা মুফতিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন কায়হন্দনবগীদমক বি জে পিবু মায়থীবা পীবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পৱার পায়নবা হোৎনবদা তৌরোইদবা থবক কয়া তৌরি। হন্দক্তা দেল্লীগী মতাংদা সেন্তরনা জি এন সী টি দি গী বিল হৌদোরকখিবা অদু দিমোক্রেসিবু ৱাহন্থোক লৈহন্দনবনি।

করিগুম্বা বিল অসিনা এক্ট ওন্দুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌরবদি দেল্লীদা ইলেক্সন তৌবগী মথৌ তাদ্রে। মমিংতগী ওইনা ইলেক্সন তৌদুনা মীয়ামগী লুচিংবা খল্লবসু লুচিংবা অদুগী পৱার হৌজিক লৈরিবা অসিগুম্না লৈররোই।

লেফটনেন্ট গভর্ণরদা অহেনবা পৱার পীশিনবা হায়বসি সেন্তরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিবু চলাইবগা চপ মান্নে। দেল্লী গভর্ণমেন্টতি মমিংতগী ওইনা লেফটনেন্ট গভর্ণরগী থবক থৌরমদা মতেং পাংনবা লৈবগা পাংখক ওইরগনি। মসি লৈবাক অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মশক থিবা তাঙ্কক অমা ওইহৌরগনি।

লুরবা তানফম অসিদা তৃনামুলগী লুচিংবা মমতা বেনর্জিনা ওপোজিসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হৌদোরক্লিবা ৱাফম অসি অফবনি। অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা শোয়দনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না জে এন্দ কেগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা বি জে পি প্রসিদেন্ট জে পি নাদা অমসুং অসামগী সী এম সোনোৱালগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : অসামদা পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদা অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবনন্দ সোনোৱালনা ইলেক্সন কম্মিসনগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরে হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী লুচিংবা অনী অসিগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনহন্নবগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা ইলেক্সন কম্মিসন্নদা তকশিনখ্রে হায়রি।




কোংগ্রেসকী লুচিংবা রজিব সুক্লানা ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সন কম্মিসন্না অসামদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাউ চেশিংদা এদভরটাইজমেন্ট থোকপা য়াররোই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু মদুগী ৱাংমদা অসামদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়না থাবা এদভরটাইজশিং পাউ চেদা হাপ্লক্লি। মসি চৎনা কাঙলোনগী ৱাংমদনি। মরম অদুনা এদভরটাইজমেন্ট অদুদা মমি ওইনা হাপ্লকখিবা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদা অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবনন্দ সোনোৱাল অনীগী মরক্তা ইলেক্সন কম্মিসন্না এক্সন লৌফম থোকই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী লুচিংবা অনী অসিনা ইলেক্সন মাংওইননা বি জে পিনা মায় পাক্লে হায়জিন্দুনা মীয়ামদা নমথাক তৌরি। মসিগী মতাংদসু লুচিংবা অনী অসিগী মথক্তা চপ চানা এক্সন লৌফৎফম থোকই। ঈ সীনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎত্রবদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা কমপ্লেন তৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা ঈ সীগী ওফিসলশিংনা হীরম অদুগী মতাংদা ইলেক্সন ওবজাভরশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরবা মতুং পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

# বস সার্ভিস এপ্রিল ১৫ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ভোপাল, মার্চ ৩১ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ঙসি মহারাষ্ট্র তম্না চৎকদবা পেসেঞ্জর পুবা বস সার্ভিসশিং মথং থাগী ১৫ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিদা মরু ওইনা মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রদা চৎকদবা পেসেঞ্জর পুবা বস সার্ভিসশিং অদু সস্পেন্দ তৌখিবনি। অহানবগী ওইনা মার্চ ২১ দগী মার্চ ৩১ ফাওবা মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা বস সার্ভিস সস্পেন্দ তৌখিবনি। অদুবু মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মখা তানা এপ্রিল ১৫ ফাওবা মতম শাংদোকখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা বারৱানি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মহারাষ্ট্রগা থংনবা ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিনবা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি মধ্য প্রদেশতসু হৌখিবা পুং২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,১৭৩ থেংনখি হায়রি।

# য়ু পিদা চহী নৌরিবী নুপী অমা মপুরোইবগী মমাংদা মশাগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখ্রে

অগ্রা, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশকী অগ্রা দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবী নুপী অমা মীওই অহুম্না মপুরোইবগী মমাংদা নমফুদা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিদিওসু নমদুনা পুখ্রে হায়রি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা অগ্রা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা মতৈ মনাও অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মখোয়গী মরী মতা উন্নবা চৎপদা লম্বীদা হান্না লৈরম্বা মীওই অহুম্না মখোয় অনীবু থৎলবা মতুং নুপী অদু মনাক নক্না লৈবা উমং অমদা পুশিল্লগা ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবনি। মতম অদুদা মহাক্কী মপুরোইবা অদু মীওই অহুম অদুনা মখোঙ মখুৎ অনীমক পুল্লগা নাকনদা লৈহনখি।

অচিকপা মফম ওইবনা নুপা অদুনা লাউবসু কনাগুম্বা অমত্তনা তাখিদে। মীওই অহুম অদুনা নুপী অদুবু গেং রেপ তৌনা তৌনা ভিদিওসু নমখি হায়রি। মীওই অহুম অদুনা মখোয় অনীবু থাদোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা মশাদা য়াওরকপা শেনফমশিং অমদি সনাগী লীকসু পুদুনা চৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুং নুপী অদুনা অগ্রা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরকখিবগা লোয়ননা চেন্নবা মীওই অনীগী মমিং হায়রকখ্রে। অদুবু অতোপ্পা অমগী মমিং খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। আগ্রা পুলিসকী সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট মুনিরাল জিনা ফোঙদোকখিবদা মতৈ মনাও অনীদুনা কমপ্লেন তৌরকপগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। মদুগী মতুং তারকপা ওইনা নুপী অদুনা মমিং পল্লকখিবা মীওই অনীগী মনুংদা অমা পুলিসনা ফারবা মতুং ৱাহং পাউহংগী থবক চখুরি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসলশিংনসু নুপী অদুবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখি হায়রিবা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা দোক স্কৱাদ শীজিন্নদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি অমদি মখোয় লোগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।